# ইন্দিয়াগী নুপী রিলে টিমনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইনবগীদমক মিৎয়েং থল্লি




সামোরিন, জুন ০৫ ঃ
ইন্দিয়াগী নুপী মিটর ৪ X ৪০০ রিলে টিম মেম্বর জৌনা মুরুমু, অশ্বিনি অপুনজি, অনিলদা থোমাস অমদি এম পি পুবামানা পি টি এস এথলেটিক গ্রান্দ প্রীদা শিংথানিংঙাই ওইনা ৩:৩১.৩৯ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা রিও ওলেম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসনগী খুদোংচাবা লৌখ্রে।

মসিগী পার্ফোমেন্স অসিগী মতুংদা নেসনেল রিলে টিম অসিনা লম্বী অনীদা ওলেম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

মমাঙ চহীদা বহামাসকী নাসৌদা পাঙথোকখিবা আই এ এ এফ ৱর্ল্ড রিলেদা মকোক্তগীনা নিপান ফাওবদা লৈখিবা ফাইনেলিষ্টশিংনা ওটোমে-টিকেল্লি ওলেম্পিক্কীদমক খুমাঙ চাওশিনগনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপীগী মিটর ৪ X ৪০০ রিলে টিমনা জুন ৪ দা স্লোভাকিয়াগী সামোরিন্দা পাঙথোকপা পি টি এস এথলেটিক্স মীটতা শরুক য়াদুনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী মিটর ৪ X ৪০০ রিলে টিম অসি এম আর পুভাম্মানা লুচিংলিবনি। পুভাম্মা (মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা টাইমিং ৫১.৭৩ সেকেন্দ) দা নত্তনা অতৈ মেম্বরশিং অদুদি অশ্বিনি অকুঞ্জি (পি বি ৫২.৮০ সেকেন্দ), অনিলদা থোমাস (পি বি ৫২.৫০ সেকেন্দ), জৌনা মুরমু (পি বি ৫২.৭৫ সেকেন্দ) অমদি দেবাশ্রী মাজুমদার (পি বি ৫৩.৫০ সেকেন্দ) নি।

ইন্দিয়াগী মেম্বর মঙানা শাবা রিলে টিম অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফশিং থা অসিগী ৩ দা ৱারসোদগী ভিয়েনা তম্না কম্পিটিশনগীদমক খোঙশানখিবনি।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা থোল্লকপা চেরোল অমদা হায়, লাক্লিবা জুন ১১ দগী ১২ ফাওবা টর্কিগী ইরজুরুমদা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ইন্টরনেসনেল স্প্রিন্ট অমদি রিলেদা ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপীগী মিটর ৪ X ৪০০ রিলে টিমনা শরুক য়াগনি।

আই এ এ এফকী রিগুলেসন মতুং ইন্না টোপ টিম ১৬ না রিওগী রিলে ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। বহামাসতা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড রিলেদা ফাইনেলিষ্ট ওইখিবশিংনা ওটোমেটিকেল্লি ওইনা অহানবা স্পোট নিপান্দা চঙগনি। অদুগা স্পোট ৯ দগী ১৬ ফাওবনা কুমজা ২০১৫ গী জানুৱারী ১ দগী কুমজা ২০১৬ কী জুলাই ১১ ফাওবগী মরক্তা খ্বাইদগী য়াঙনা চেনখিবগী রেকোর্দ লৈবা লৈবাকশিংনা মেনশিনগনি।

হায়রিবা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী রিলে টিমনা খ্বাইদগী ফনা ৩:২৯.০৮ সেকেন্দ য়াঙনা কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা আই এ এ এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নপ্তা চেনখি।

চৈরক অসিদা সামোরিনদা জিটিন পাউলনা নুপাগী মিটর ৪০০ গী হর্দলস ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। ইন্দিয়াগী ফোরেন কোচ য়ুরি ওগোরোদনিকনা স্পালাদা হায়খি, টর্কিদা ইন্দিয়াগী নুপী মিটর ৪ X ৪০০ অমদি নুপাগী মিটর ৪ X ৪০০ গী রিলেনা অকনবা ট্রেনিং তৌখি। মখোয়গী মনুংদা নুপীগী রিলে টিমনা রিও ওলেম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈরিবনি।

ইন্দিয়াগী নেসনেল টিমগী খ্বাইদগী ফবা মার্ক ওইনা কুমজা ২০১৫ দা ৩:২৯.০৮ সেকেন্দ চেন্দুনা রেকোর্দ থমখি। জিসনা মেথিয়ু, টিন্টু লুকা, দেবশ্রী মজুমদা অমদি পুবমানা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা মার্ক অদু থমখিবনি হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

থাংজ নুমিৎতা ইন্দিয়ন টিমনা ৩:৩১.৩৯ চেন্দুনা মালেমগী রিলেগী রেঙ্কিংদা ১৫ শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। অদুবু রিও ওলেম্পিক্কী টাইমিংদি ৩:৩০.২৪ নি।

জর্মনিনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা ১৬ শুবা মফমদা লৈখি। হৌজিক ইন্দিয়ানা মখা তানা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাস ওইনবগীদমক য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়াদুনা শেম শাবগী থবক চঙশিল্লি।

# ব্রাজিল অমসুং ইক্কেদোর গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে, পেরুনা হাইতিবু থোইখ্রে



পাসাদেনা, জুন ০৫ ঃ
চনৈনরবা রেফ্রিগী দিসিজন্দা গোল লৌখিদবদগী ব্রাজিলনা পাসাদেনাগী রোজ বাউলদা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা কোপা অমেরিকাগী মেচতা মায়থীরমগদবদগী কনখিদুনা ইক্কেদোরগা ০-০ দা দ্রো চৎখ্রে অদুগা পেরুনা হাইটিবু মায়থীবা পীখি।

ইক্কেদোরনা মেচ অদুদা নিংথিনা শান্নখিদুনা মাঙজিল থানা চৎখি। মখোয়না ব্রাজিলগী সাইদতা য়াম্না ইচং থৌনা চঙশিনখিদুনা নৈখায়খি। মেচকী সেকেন্দ হাফতা ইক্কেদোরগী মিল্লর বোলানেসনা ক্রোস তৌবা বোলা অমা ব্রাজিলগী গোলকিপর অলিসননা থুকৎনা পায়দুনা মহাক্কী নেটতা পুশিনখিবদগী ইক্কেদোরগী বেঞ্চতা ফমখিবা প্লেয়রশিংনা গোল চল্লে হায়দুনা হরাউবা ফোঙদোকখি। অদুবু মেচ ওফিসলশিংনা হুসল খোংদুনা গোল কিক কাওনবা খঙহনখি।

চয়েৎনবা থোকপদগী মেচ অদু মতম খরা লেপখি। ওফিসলশিং অদুনা বোলানোসনা য়ার্দ তরুক্তগী ক্রোস তৌরকখিবা বোল অদু গোল চনখিদে হায়না য়েৎতুনা দিসিজন পীখি।

গ্রুপ বিগী মেচ অদুগী তাঙ্কক অদু রিপ্লে তৌদুনা য়েংখি। ইক্কেদোরগী কোচ গুষ্টাবো ক্বন্টেরোজনা হায়খি, ঐনা ভিদিও অদু ২৫ রক য়েংখি অমদি বোল অদু চাদা ৬৫ দি নেট মনুংদা পুশিনখিদুনা গোল চল্লে হায়না লৌবা য়াখি।

লাইন্সমেননা মিটর ৫০ লাপ্পা লৈবনা মহাক্না থোইদোকপা খঙখিদে হায়না বোলিবিয়ন্না কমপ্লেন তৌখি।

ব্রাজিলগী মেনেজর দুঙ্গানা হায়খি, গোল অদু চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বা ঐনা ৱারেপ পীবা ঙমদে। মরমদি বোল অদু ঐনা উবদগী লাপ্পা থোকখি। ঐনা লৈরিবা এঙ্গলগা বোলনা লৈবা এঙ্গলগা থয়াইননা চৎখিবনা ঐনা শেংনা উবা ঙমখিদবনি হায়না দুঙ্গানা ফোঙদোকখি।

ইক্কেদোরনা সেকেন্দ হাফতা য়ার্দ ২৫ দগী ফ্রি কিক অমা ৱেষ্ট হামগী ফোরৱার্দ ইন্নর বেলেন্সিয়ানা কাওশিনখিদুনা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ওইখ্রবসু ব্রাজিলগী কিপর এলিসন্না নিংথিনা সেভ তৌখি।

লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা দুঙ্গাগী মঙারক ৱর্ল্ড কপকী ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমগা হাইটিগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। ওর্লান্দোদা চথুগদবা মেচ অসিদা ব্রাজিলনা য়াম্না লায়না মায়থীবা পীগনি হায়না থাজনরি।

অতোপ্পা গ্রুপ বিগী সিট্রলদা শান্নখিবা মেচতা পেরুনা হাইটিবু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। পেরুগী মায় পাকপগী গোল অদু মেচকী মিনিট ৬১ চৎপা মতমদা ষ্ট্রাইকর পাওলো গুরেরোনা টেওফিলো কুবিল্লাসনা কাওরকখিবা বোল অমা হেদ্দিং তৌশিনখিদুনা হাইটিগী গোল পোষ্ট মনুংদা চঙখিবদগী গোল ওন্থোকখি। পাওলো অসি মহাক্কী লৈবাক্কী ইন্টরনেসনেল গোল স্কোরর অমা ওইনা লুচিংলিবা প্লেয়র অমনি। মহাক্কী হেদ্দরনা চনখিবা গোল অদুনা মহাক্কী ২৭ শুবা ইন্টরনেসনেল গোলসু ওইখি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা গুরেরোনা মহাক্কী টিমগীদমক অঙকপা ফংনা চিংখৎখি। পেরুনা নিংথিনা ওর্গনাইজ তৌরবা হাইটিগী সাইদতা অকনবা এটেকশিং চঙশিনখি। অদুবু ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদি টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। অয়াম্বা মতমদা পেরুনা হাইটিগী সাইদতা এটেকশিং তৌখ্রবসু হাইটিগী দিফেন্সতা লানশিন্দুনা চঙবদি ঙমখিদে। লাক্লিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা পেরুনা ইক্কেদোরগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। অদুগা ব্রাজিলনা ফ্লোরিদাদা চৎতুনা হাইটিগা মায়োক্নদুনা ওর্লান্দোদা শান্নগনি।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী মেচতা কোষ্টারিকা অমদি পেরাগুৱে অনীনা ০-০ দা দ্রো চৎখি।

# রিও ওলেম্পিক্সতা রিফ্যুজি ওলেম্পিক টিম হায়না মিংথোন্দুনা ওলেম্পিক্সকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরি




রিও দি জানৈরো, জুন ০৫ ঃ
চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী চেল্লকপা এথলেটশিংনা শাবা রিফ্যুজি টিম অমনা অনৌবা ফ্লেগ অমগী মখাদা শরুক য়াগনি হায়না ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না ইরাই নুমীৎতা লাউথোকখ্রে।

রিফ্যুজি টিম অমনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিগী মতাংদা রিও ২০১৬ কী ওফিসল ৱেবসাইটনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না ওলেম্পিক গেমসকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা রিফ্যুজি টিম অমা শেমদুনা শরুক য়াগনি অমদি মসিনা মালেমগী মফম খুদিংদা থোক্লিবা থরুমগী লান, লৈতাদবা ফীভম কয়াগী থৌদোক ৱাথোক্না লৈতাহন্দ্রবা মীওই কয়াদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীরগনি হায়রি।

রিফ্যুজি ওলেম্পিক টিম (আর ও টি) হায়না মিংথোন্দুনা ওলেম্পিক্সকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা টিম অসিদা সাউথ সুদানগী লমজেল্লোই মঙা, সিরিয়াগী স্বিমর অনী, দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী জুদোকা অনী অমদি ইথিওপিয়াদগী মরাথোন লমজেল্লোই অমা য়াওরি। হান্নগী মরাথোনগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর কেনয়াগী তেগলা লোরোপনা টিম অরসিগী চীফ দি মিসন ওইনা থৌ পুগনি। অদুগা ব্রাজিলগী ইসাবেলা মাজাওনা মহাক্কী দিপ্যুটি ওইনা থৌ পুগনি। রিফ্যুজি ওলেম্পিক টিম অসিদা কোচ মঙা অমদি অতোপ্পা ওফিসল মঙা অমসু য়াওগনি।

রিফ্যুজি ওলেম্পিক টিমদা য়াওরিবা মেম্বরশিং অদুদি রামি অনিস (নুপা), সিরিয়াগী স্বিমিং; য়িচ পুর বিল (নুপা), সাউথ সুদানগী এথলেট মিটর ৮০০; জেমস নয়াং চীংজিক (নুপা), সাউথ সুদানগী এথলেট মিটর ৪০০; য়োনাস কিন্দে (নুপা), ইথোপিয়াগী এথলেট মরাথোন; অঞ্জেলিনা নাদা লোহালিথ (নুপী), সাউথ সুদানগী এথলেট মিটর ১৫০০; রোজ নাথিকে লোকোনয়েন (নুপী), সাউথ সুদানগী এথলেট মিটর ৮০০; পৌলো অমোটুন লোকোরো (নুপা), সাউথ সুদানগী এথলেট মিটর ১৫০০; য়োলান্দে বুক-অসা মাবিকা (নুপী), দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী জুদো কেজি ৭০ অমদি য়ুসরা মারদিনি (নুপী), সিরিয়াগী স্বিমরনি।

# রসিয়াগী এথলেটশিং দোপিংগা মরী লৈনরম্বদগী মখোয়না লৌখিবা মেদলশিং হন্দোকহনখ্রে

মোস্কো, জুন ০৫ ঃ রসিয়াগী মমিং লৈরবী রেস ৱক্কর ওলগা কানিসকিনা অমদি সর্গি কিদয়াপকিনবু দোপিংগী মরালদা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ফংখিবা মখোয়গী মেদলশিং অদু হন্দোকহনখ্রে হায়না রসিয়াগী এথলেটিক্স ফেদরেসন (আর এ এফ) না ফোঙদোকখ্রে।

কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) না হৌখিবা মার্চ থাদা ওলগা কানিসকিনা, সর্গি কিদয়াপকিন অমদি ভালেরি বোর্চিন য়াওনা রসিয়াগী ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী ষ্টার তরুক কুমজা ২০০৯ দগী ২০১৩ ফাওবদা মখোয়না ফংখিবা মেদলশিং অদু লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি।

কানিসকিনা, কিদয়াপকিন অমদি বোর্চিননা মখোয়গী মেদলশিং অদু ফেদরেসনদা খুৎশিন্নরক্লে হায়বা ৱাফম রসিয়ন এথলেটিক্স ফেদরেসনগী ৱাঙাঙলোই অল্লা গ্লুসচেনকোনা থমখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মেদল লৌথোকখ্রবা অতোপ্পা এথলেট অহুম অদুদি রেস বাক্কর সর্গি বাকুলিগ, ব্লাদিমির কনাকিন অমদি ওলেম্পিক্সকী ষ্টিপলচেস চেম্পিয়ন য়ুলিয়া জারিপোভানি। মখোয় অহুমগী মেদলশিং অদু মরী লৈনবা ইন্টরনেসনেল স্পোর্টস বোদিশিংদা পীখৎখ্রবরা হায়বগী মতাংদা ৱাঙাঙলোই অদুনা ফোঙদোকপা তৌখিদে। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা কিলোমিটর ২০ গী ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংখিবী কানিসকিনানা মহাক্কী ওলেম্পিক মেদল অদু হন্দোকখিবদা নত্তনা কুমজা ২০০৯ দগী কুমজা ২০১১ ফাওবদা ফংখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন টাইটলসু হন্দোকখ্রে।

লন্দন ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল ফংখিবা কিদায়াপকিনসু মহাক্কী ওলেম্পিক মেদলদা নত্তনা কুমজা ২০১১ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা লৌখিবা গোল্ড মেদলসু হন্দোকখি বোর্চিনসু কুমজা ২০০৮ গী কিলোমিটর ২০গী ইভেন্ট অমদি কুমজা ২০১১ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা ফংখিবা গোল্ড মেদলশিং অদু হন্দোকখি। রসিয়ন ফেদরেসনদা এথলেটশিংনা পীখৎলকখ্রবা মখোয়গী ওলেম্পিক মেদলশিং অদু ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) দা অদুগা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মেদলশিং অদুনা আই এ এ এফতা খুৎশিন্নরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা অহানবা ওইনা ফ্রেন্স ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



পেরিস, জুন ০৫ ঃ
স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা মফম অসিদা চথরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপী সিঙ্গলসকী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমেরিকাগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবী সেরেনাদগী চহী ১২ রোম তাথনা লৈদুনা মশাগী চহী ২২ খক্তা ঙাইরিবী মুগুরুজানা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ক্লে কোর্টকী ফাইনেলদা সেরেনাবু ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা ওপন অসিগী টাইটল লৌখি।

কুমজা ১৯৯৮ গী পেরিসতা অরান্টসা সাঞ্চেজ ভিকারিওনা টাইটল লৌখ্রবা মতুং মুগুরুজনা ঙরাং টাইটল লৌবা ঙমখিবা অসিনা অহানবা স্পেনগী নুপী টেনিস প্লেয়র ওইরে। মমাঙ চহীগী য়ু এস ওপনদা ফ্লাভিয়া পেনেট্টা অমদি চহী অসিগী ওষ্ট্রেলিয়া ওপনদা জমর্নিগী এঞ্জেলিগ কাবর্রনা টাইটল লৌখ্রবা মতুং থংন-থংননা গ্রান্দ স্লাম টাইটল অহানবা ওইনা লৌবা মালেমগী অহুমশুবা প্লেয়র মুগুরুজানা ওইবা ঙমখ্রে।

সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা গ্রান্স স্লাম ফাইনেলদা মায়থিবা অসি থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইখিবদা নত্তনা মহাক্কী কেরিয়রগী ২২ শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌদুনা জর্মনিগী ষ্টেফি গ্রাফনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়নবগীদমক চঙশিল্লকখিবা খোঙথাং অদু অরেম্বদা তাখি। অদুবু সেরেনানা লাক্লিবা ৱিমল্লেদনদা শান্নদুনা মহাক্কী টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি। সেরেনানা ৱিমল্লেদনগী টাইটল তরুক্লক লৌবা ঙমখ্রবনি।

পনবা য়াই, টোপ সীদ অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা অনসীদেদ দটচৱিমেন কিকি বার্টেন্সপু ৭-৬ (৯/৭), ৬-৪ দা সেমী ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। অদুগা মরিশুবা সীদ মুগুরুজানা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুরবু অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অনীরকশুবা ওইনা গ্রান্দ স্লামগী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, ওপন অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ২১ শুবা সীদ সমান্থা ষ্টোসুরনা বলগেরিয়াগী টসবেটনা পিরোঙ্কোভাবু ৬-৪, ৭-৬ (৬) তা মায়থীবা পীখিদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

ষ্টোসুরনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা গ্রান্দ স্লামগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অসিনা মশক থোকপা অমা ওইখি। মহাক্লা কুমজা ২০১২ গী পেরিসতা লাষ্ট ফোরগী থাক য়ৌখিবনি। গার্বিন মুগুরুজানা ক্বার্টর ফাইনেলদা সেলবি রোজরসপু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরগীদমক খুমাং চাউশিনখিবনি।

অঙনবা শরুক্তা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ১৮ শুবা সীদ অমদি য়ুক্রেনগী ইলিনা সবিটোলিনাবু ৬-১, ৬-১ দা মিনিট ৩০ চঙনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীখি।


## COMPOSITE CENTRE OF LEARNING (CCL)

(A CO-EDUCATIONAL HIGHER SECONDARY SCHOOL)
HEIBONG MAKHONG, P.O, MAYANG IMPHAL – 795132, MANIPUR.

ADMISSION OPEN – 2016-2017
FOR CLASS XI (Sc.)

SAILENT FEATURES:

- Peaceful Learning Zone
- Modern RCC Building
- Highly Equipped Classrooms Science Laboratory
- Boarding facilities (Boys & Girls) Separately.
- Well Designed Smart Class.
- Trained and Expertised Faculties.
- Extra Motivative and Inspirational Classes Renowned Personalities.
- Transportation facilities for Non- Boarder students & faculty members.

FREE ADMISSION FOR BRILLIANT STUDENTS 65% & ABOVE IN HSLC/EQUIBALENT EXAM.

WANTED

| Sl. No. | Post/ Designation | No. of Vacancy Post | Qualification | Experience |
|---|---|---|---|---|
| 01. | Principal | 01 | M.Sc/M.A | 10 years experience. |
| 02. | English | 01 | M.A English | 5 years experience. |
| 03. | Manipuri | 01 | M.A Manipuri (Knowledge in M.M) | 5 years experience |
| 04. | Biology | 02 | M.Sc | 5 years experience |
| 05 | Chemistry | 01 | M.Sc. | 5 years experience |
| 06. | Physics | 01 | M.Sc. | 5 years experience |
| 07. | Mathematics | 01 | M.Sc. | 5 years experience |

- Application in plain paper along with Bio-data, self attested copies of certificates with mark sheet and other related documents should be submitted to the office on or before 13th June 2016.
- Selection test cum Interview will be later on.

Salary : Negotiable.
Contact No. 9856750182, 8414983802.


Sd/-
Founder / Secretary,
CCL, Heibong Makhong.

HL-P/8656/6



## BUILD YOUR SUCCESS (BYS)

Palace Compound (Macha Leima School) # 9863284750/ 9856088990



LUCKYSON NINGTHOUJAM

6th Rank HSLC Exam 2016 SPEAKS..

I call it God's grace when I got the 6th Position in HSLC exam 2016. My heartfelt gratitude goes to my family and well-wishers. To me, God is so kind for allowing me to find BYS and its hostel where I am blessed with outstanding faculty and the most academic atmosphere during my Foundation and Revision courses. I feel BYS is not only the best and the most trusted centre but also a dream come true for any student.

Luckyson Ningthoujam

THE FIRST POSITION HOLDER AMONG OUTSIDE-IMPHAL SCHOOLS IN HSLC EXAM 2016

SUBJECT TOPPER SOCIAL SCIENCE 98 OUT OF 100

ADMISSION OPEN FOR CLASS X (BOSEM) FOUNDATION COURSE (including OPTIONAL - Computer Sc./Home Sc./HM) starting on JUNE 13, 2016.

HL-B/3124/4,6,8,10,12 & 14 Jun



## BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 4th June, 2016

**No. Ex/152/88:** It is notified for information of all concerned that the Marksheets for the HSLC Examination, 2016 will be issued w.e.f. 06-06-2016 (from 11 a.m.). All Headmasters/Principals of all recognized Higher Secondary/High Schools in Manipur may collect the same from the Office of the Board from 06-06-2016.

**All Private candidates may also collect their Marksheets personally from the Board's Office directly.**

Sd/- K. Tiken Singh
Controller of Examinations

HL-P/8782/6



## NOTICE

To,
1. Keisham Ranjit Singh
Lamboi Khongnang Makhong, Imphal West.
2. L. Joseph Singh
Uripok Bachaspati Leikai, Imphal West.

It is hereby notified that despite several notices for payment of mortgage payment with interest due as per mortgage agreement between you and my client namely Oinam Ranjan Singh of Uripok Bachaspati Leikai, Imphal West dated 04/10/2015 for a motorcycle bearing Registration No. MN-01-D-8014 (Yamaha R15), it is, hereby notified that the same vehicle shall be auctioned of to recover the capital and interest of the said mortgage within a period of 30 days from the date of the present notice if you do not respond to the same within the said notified period.

Sd- Genananda Hijam
Advocate

HL-P/8783/6